# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, MAY 20, 2019 **PAGE 7**




*ইটালিয়ান ওপন টেন্নিসকী ফাইনেলদা বৃটেনগী জোহানা কোন্টাবু মায়থিবা পীরল্লগা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবী জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভা*

*ইংলেন্দগী চেম্পিয়ন ক্লব মেঞ্চেস্টর সিটিগী কেপ্টেন ওইরিবা অদুগা ক্লব অসি থাদোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা ভিন্সেন্ট কোম্পেনী*



## মণিপুরগী বোক্সর মেরি কোম অমদি মহাক্কী কাঙবুনা ইন্দিয়া ওপন বোক্সিংদা মেডল লৌনবা হোৎনগদৌরি

*গুৱাহাটি, মে ১৯(এজেন্সি)ঃ*

৬লক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবী মণিপুরগী নুপী বোক্সর মেরি কোম য়াওনা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৭২ গা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা মালেমগী লৈবাক ১৬ কী বোক্সর ২০০ গী মায়োক্তা অনীশুবা ইদিসনগী ইন্দিয়া ওপনদা নিং থৌকাবা নুমিৎতগী থিন্নগদৌরি।

এসিয়ান গেমসকী চেম্পিয়ন অমিট পাঙ্গাল অমসুং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিকী গোল্ড মেডালিষ্ট সিব থাপাসু টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াদুনা রুশিয়াদা সেপ্টেম্বর ৭ তগী ২১ফাওবা য়াকেটেরিনবর্গ (নুপাগী) তা অমসুং ওক্তোবর ৩ দগী ১৩ ফাওবা উলান-উরে (নুপীগী) দা পাঙথোক্কদবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াদুনা ওলিম্পিক ক্বালিফিকেসনদা চঙবা ঙম্নবা লম্বী শেমহৌগদৌরি।

অসামগী করমবির নবিচন্দ্র বোর্দোলোয় ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা নুমিৎ ৫নি চুপ্পা চখগদবা ইন্দিয়া ওপন অসিদা লন্দন ওলিম্পিক্তা ব্রোঞ্জ ফংখ্রবী মণিপুরগী বোক্সর মেরি কোম হন্দক্তি অরুন্থা হেনগৎহন্দুনা কেজি ৫১ গী কাঙলুপ্তা শরুক য়াগদৌরি।

কুমজা ২০১৮ গী অহানবা ইদিসনগী ইন্দিয়া ওপনগী কেজি ৪৮ গী কাঙলুপ্তা সনাগী মেডল ফংখ্রবী মেরি কোম্না হায়, শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। থাখরগী মমাঙদগী তৌরকপদা ত্রেনিং অসিনা কেজি ৫১ গী কেটেগোরিদা শোয়দনা মায় পাক্কনি। গুৱাহাটিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা অমদি অতোপ্পা লৈবাকসিগী বোক্সরশিংদগীসু য়াম্না চাওনা পূক্লিং থৌগৎলক্কনি হায়না থাজে।

মেরি কোমদা নত্তনা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড ফংখ্রবা অমিত পাঙ্গাল (কেজি ৫২) সু মকোক থোংবা ঙমহৌনবা মীৎয়েং থম্লি। লোয়ননা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তা ৪রক থংননা মেডল ফংখ্রবা অসামগী সিব থাপা (কেজি ৬০), ৱার্ল্ড য়ুঠ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ গী গোল্ড মেডালিষ্ট অনকুসিতা বোরো (কেজি ৬৪) অমদি ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ গী ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট গৌরব বিধুরি (কেজি ৫৬) সু ইন্দিয়াগী ওইনা মেডল ফংহৌনবা পান্দম থম্লি।

অসামগী বোক্সর থাপানা বেঙ্কোক্তা পুৱারী শেমখ্রবা মতুংদা মরমদমদা থিন্নদুনা হেন্না ফজবা পার্ফোমেন্স শেমগদৌরি। মহাক্না হায়, ঐ ঐগী মেডল অসি মচু ওন্নিংবনা খোইরাংবনা লোয়রে অমদি ইরমদমদা থিন্নদুনা মদুগী খুদোংচাবদু লৌবা পাম্মী।

ওলিম্পিক্স ক্বালিফাই ওইনবগীদমক ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা অরুন্থা হোংদোকপগী মনুংদা অমিত পাঙ্গাল কেজি ৪৯ দগী ৫২, সিমরনজিৎ কোর কেজি ৬৪ দগী ৬০, পুজা রানী কেজি ৮১ দগী ৭৫ দা শান্নরগনি।

বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বি এফ আই) গী মীৎয়েংদি লৈবাক অসিগী কাচিন কোয়াদা বোক্সিং শান্নবা, অসামদা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা ইদিসনগী ইন্দিয়া ওপন অসিনা নোর্থ ইষ্টকী শরুক্তগী শান্নরোই কয়ানা মালেমগী থাক্তা শান্নবা ঙমহৌবা অমদি মশান্না অসিগী মায় পাকপগী ৱারীশিংনা লাক্কদৌরিবা জেনেরেসনদা অচৌবা লম্বী অমা শেম্বা ঙম্লগনি হায়না ফেদরেসন অসিগী প্রসিদেন্ট অজয় সিংহনা ফোঙদোকখি।




## মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ৱাটফোর্দপু পাঞ্জল ৬–০ দা মায়থিবা পীদুনা এফ এ কপকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

*লন্দন, মে ১৯(এজেন্সি)ঃ*

ইংলেন্দদা পাঙথোকপা মরুওইবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট এফ এ কপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ৱাটফোর্দপু পাঞ্জল ৬–০ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

মেঞ্চেষ্টর সিটি অমদি ৱাটফোর্দনা শান্নখিবা এফ এগী ফাইনেল মেটচ অদু হৌরকপদা লম্বা খরা মান্নরকখ্রবসু মেটচকী মিনট ২০ হৌজিনখিবদগী মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি।

শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা দেবিদ সিলভানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেঞ্চেষ্টর সিটিনা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ইকুই কুইদনা মিনট ৪ লৈরগা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই রাহিম ষ্টর্লিংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা পাঞ্জল অনী মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখি। মেটচকী ৬১শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা কেভিন দি ব্রুইননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

ৱাটফোর্দকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোই গাব্রিয়েল জিজসনা শান্নবগী ৬৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৪–০ দা হেন্দুনা চাওনা মায় পাকপগী লম্বেলদা লাকখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৮১শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা রাহিম ষ্টর্লিংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৫–০ দা মাঙজিল থাদুনা ৱাটফোর্দপু খুৎ হনবা ঙম্লোইদবা মওংদা থমখি।

মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ য়ৌগদবা মিনট ৩ ৱাৎলিঙৈদা রাহিম ষ্টর্লিংনা টিমগী ৬শুবা অমদি মহাক্কী হেটেট্রিক পাঞ্জল চন্দুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ৬–০ দা মায় পাক্তুনা এফ এ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখি।

অতোপ্পা পার্ড অমদা জর্মনিদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট বুন্দেসলিগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৩৪শুবা লীগ মেটচ অমদা বেয়র্ন ম্যুনিক্না এন্ত্রাচ ফ্রেঙ্কফর্টপু পাঞ্জল ৫–১ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা পুম্না পোইন্ট ৭৮ ফংবা ঙমদুনা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্কবা লম্বা ওইখিবা বোরুশিয়া দোর্টমুন্দদগী পোইন্ট ২ হেন্দুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল থংন-থংননা ৭লক লৌবা ঙমখি।

ফ্রান্সকী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লীগে ৱানগী ঙসি শান্নখিবা ৩৭শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী মাঙজৌননা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা পেরিস সেন্ট জর্মেননা দিজোনবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

লীগে ৱানগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ৩৭শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা টেবলগী অনীশুবদা লৈরিবা লিল্লেনা এঙ্গর্সপু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীরমখি। অদুগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরিবা লিওননা কেনবু পাঞ্জল ৪–০ দা থোইরমখি।

স্পেনগী লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা রিয়েল বেটিসনা রিয়েল মাদ্রিদপু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। রিয়েল বেটিসকী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ৬১ অমদি ৭৫শুবা মিনটতা চনখি।




*ইংলেন্দগী এফ এ কপকী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা*

## স্পেনগী নদাল অমদি জেক্কী প্লিজকোভানা ইটালিয়ান ওপনগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইখ্রে

*রোম, মে ১৯(এজেন্সি)ঃ*

ইটালিগী সিটি রোমদা থা অসিগী ১৩ দগী চখরকপা ইটালিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন স্পেনগী রাফেল নদাল অমদি জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা ওইখ্রে।

ইটালিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসপু স্পেনগী রাফেল নদালনা সেট ২–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা রাফেল নদালনা জোকোভিসকী সার্ভিস গেম অহুম্মক ব্রেক তৌদুনা ৬–০ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটনা জোকোভিসনা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেটতা স্পেনগী রাফেল নদালনা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসকী সার্ভিস গেম অনী ঙন্না ব্রেক তৌবা ঙমদুনা সেট অদু ৬–১ দা মায় পাকপা ঙমখিবদগী ইটালিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখি।

ইটালিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা বৃটেনগী জোহানা কোন্টাবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরল্লগা টাইটল লৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবী জেক রিপব্লিক্কী প্লিজকোভানা বৃটেনগী কোন্টাগী সার্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী ২শুবা সেটতা বৃটেনগী জোহানা কোন্টাগী মায়কৈদগী লম্বা খরা পীবা ঙমখ্রবসু জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা মহাক্কী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৪ দা থোইখিবদগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

ইটালিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ কলম্বীয়াগী জুৱান সেবাষ্টিয়ান কাবাল অমদি রোবার্ট ফারাহনা ৬শুবা সিদেদ পেয়র সাউথ অফ্রিকাগী রাভেন ক্লাসেন অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী মাইকেল ভেনসপু ষ্ট্রেট সেট ৬–১, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ৮শুবা সিদেদ পেয়র জর্মনিগী অন্না লেনা গ্রোনেফেল্ড অমদি নেদরলেন্দসকী দেমী স্কুরসবু অকনবা লম্বা অমদা বেলারসকী ভিক্তোরিয়া অজারেনকা অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা ৪–৬, ৬–০, ১০–৩ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।



## টি সি এস ৱার্ল্ড মরাথোন

*বেঙ্গালুরু, মে ১৯(এজেন্সি)ঃ*

ইথিওপিয়াগী এন্দামলাক বেলিহু অমদি কেনিয়াগী এগনেস তিরোপনা টি সি এস ৱার্ল্ড মরাথোনগী নুপা অমসুং নুপীগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

টি সি এস ৱাল্ড মরাথোন অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কাঙলুপ্তা ইথিওপিয়াগী এঠলিট এন্দামলাক বেলিহুনা ২৭ঃ৫৬ সেকেন্দতা চেন্দুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। কেটেগোরি অসিগী অনীশুবা পোজিসনদা উগান্দাগী এঠলিট মান্দে বুসেনসিচনা ২৮ঃ০৩ সেকেন্দদা ফংখি। অদুগা অহুমশুবা পোজিসননা ইথিওপিয়াগী এঠলিট বিরহানু লিগেসনা ২৮ঃ২৩ সেকেন্দদা লৌখি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা কেনিয়াগী এগনেস তিরোপনা ৩৩ঃ৫৪.১৭৯ সেকেন্দদা অহানবা, ইথিওপিয়াগী লেটেসেনবেট গিদেনা ৩৩ঃ৫৪.৫১৯ দা অনীশুবা অদুগা ইথিওপিয়াগী অতোপ্পা এঠলিট সেনবেরে টেফেরিনা ৩৩ঃ৫৪.৫২৯ দা অহুমশুবা তাখি।

ইন্দিয়াগী ওইনা নুপাগী কাঙলূপ্তা করন সিংহনা ২৯ঃ৫৫ সেকেন্দদা অহানবা, জি লক্ষমননা ৩০ঃ০২ দা অনীশুবা অদুগা অভিনাস সেবলনা ৩০ঃ৩৬ সেকেন্দদা অহুমশুবা তাখি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা সঞ্জিভানি ঝাদবনা ৩৫ঃ১০ দা অহানবা, পারুল চৌধারিনা ৩৫ঃ৩৬ তা অনীশুবা অদুগা চিন্টা যাদবনা ৩৬ঃ৩৪ সেকেন্দদা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

### ক্রোসৱার্দ ১৬৪ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| U | S | A | F | | M | E | A | N | T | | D | R | A | W |
| R | I | L | L | | A | R | D | O | R | | E | A | C | H |
| B | L | O | O | D | D | R | I | V | E | | L | I | M | E |
| A | V | E | | R | E | S | T | | S | W | E | D | E | N |
| N | A | S | S | A | U | | | | P | A | T | | | |
| | | | C | Y | P | R | U | S | A | V | E | N | U | E |
| L | U | C | A | S | | A | N | T | S | Y | | E | N | D |
| E | G | A | D | | F | I | L | E | S | | M | O | D | E |
| A | L | L | | E | R | N | I | E | | R | U | N | O | N |
| P | I | C | A | B | O | S | T | R | E | E | T | | | |
| | | | C | O | N | | | | N | A | T | I | V | E |
| A | M | O | U | N | T | | A | C | E | D | | M | A | P |
| B | A | L | M | | M | E | M | O | R | Y | L | A | N | E |
| E | R | I | E | | A | G | I | N | G | | A | G | E | E |
| L | E | O | N | | N | O | S | E | Y | | T | E | S | S |

## কাটারনা ফিফা ২০২২ দা টিম ৩২ শান্নবগী থৌরাং তৌরি

*দোহা, মে ১৯(এজেন্সি)ঃ*

কাটারনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা কুমজা ২০২২ ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা টিম ৩২ না শরুক য়াদুনা শান্নবগীদমক শেম শারি হায়না টুর্নামেন্ট অসিগী সি ই ও নাসর অল খাটরনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই কুমজা ২০২২ ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিদা য়ুম্বু ওইগদৌরিবা কাটার অমদি ফিফাগী মরক্তা য়ান্নবা লৈরবদি টিম ৩২ না শান্নগদবা কম্পিটিসন অসি টি ৪৮ না শান্নবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈখিবনি।

ৱারেপ অসি মায়কৈ অমত্তা লেপ্পা য়াদবা মরম্না শান্নবগী মখা পোল্লি। ফুটবোল মশান্না অসি চাওথোকহন্নবগীদমক মায়কৈ অনীনা কুপ্পা য়েংশিল্লি, টিম ৪৮ না শান্নবা নৎত্রগনা টিম ৩২ দা অদুমক মখা তানা শান্নবগী মতাংদা পোজিটিভ ওইবা মত লৈরি অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি টিম ৩২ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপগী ওইনা শেম শারি হায়না নাসর অল খাটরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ফিফা কাউন্সিলগী মার্চ থাদা ফমখিবা মীফমদা টুর্নামেন্ট অসি হেন্না চাওথোক্লবগীদমক খন্নখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ্তি মথং থাগী ৫ দা পেরিসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা কোংগ্রেসতা লেপ্লগনি হায়রি।


ꯃꯤꯂꯦꯅꯤꯌꯝ

**MILLENNIUM INSTITUTE OF SCIENCES**

Kwakeithel Mayaikobi, Imphal – 795001

SL/BILL/19 th and 20 th May

**ADMISSION OPEN** for XI Sc. 2019

**Admission Form to be Issued** on Production of Class-X Marksheet/Board Exam Marksheet from **18th May 2019 onwards.**

***Schedule of Entrance Test shall be notified latter on.**

(First 10 toppers of Entrance Test shall be awarded 1 COHSEM prescribed Text Book Set)

SPECIAL FACILITIES FOR MERITORIOUS STUDENTS OF HSLC EXAM 2019

* 75% AND ABOVE - ELIGIBLE FOR DIRECT ADMISSION

* 80% AND ABOVE BUT BELOW 83%

Free Admission Fee, *Free Monthly Tuition Fee, *Free Notebook Grant (30 Notebooks and 1 Practical Notebook each for Practical Subjects), *Free Prescribed Text Book Grant, *Free Coaching Facilities by MIS lecturers, *Limited Seat.

* 83% AND ABOVE BUT BELOW 85%

*Free Admission Fee, *Free Monthly Tuition Fee, *Free Notebook Grant (30 Notebooks and 1 Practical Notebook each for Practical Subjects), *Free Prescribed Text Book Grant, *Free Coaching facilities by MIS lecturers, *Free School Uniform (1 set), *Monthly Scholarship of Rs.1000/- (per month),*Limited Seat.

*85% UPTO ONE MARK BELOW 20th POSITION OF HSLCE 2019

*Free Admission Fee, *Free Monthly Tuition Fee, *Free Notebook Grant (30 Notebooks and 1 Practical Notebook each for Practical Subjects), *Free Prescribed Text Book Grant, *Free Coaching facilities by MIS lecturers, *Free School Uniform (1 set), Free School Bus Route Transport, *Monthly Scholarship of Rs.5000/- (per month) or *Free Hostel accommodation in MIS Hostel with Monthly Scholarship of Rs.1000/- (per month), *Limited Seat.

*****SPECIAL FACILITY FOR 87% & ABOVE STUDENTS:** Free Correspondent Course for AAKASH CJP+(Comprehensive Joint Package Plus) for NEET/AIIMS or CJP+ for JEE (Main & Advanced) Course which includes Class room lectures during school hour of COHSEM curriculum based classes and All India Aakash Test Series (AIATS)

For Details Contact School Office
**School Counter Open on Sundays for Admission Procedure.**

Sd/-
Principal, MIS